*"ধর্ম্ম হায়বসি নুংঙাইবগী অমত্তা ঙায়রবা উপাইনি।
মীবু মীওইবা ওইহনবা ধর্ম্মগী মরু ওইবা তত্ত্বনি।" - সোনামনি (ধর্ম্ম তত্ত্ব)*

সৈরেং

## সনা লৈবাক মণিপুর

**—রঘুবীর থিয়াম**

ইমা নুংশিরবী মণিপুর!
সনা লৈবাক মণিপুর!
চহী তরেৎ খুন্তাকপঁ,
মীখা পোন্না লেল্লিপঁ
অৱানা তমথীনা ওৎলিপঁ
মোরোক থাদুনা হাৎলিপঁ
খূবাক্তা য়াইরিনা লেংলিপঁ
হীক্ল-হীক্লা কপখিবা নত্তরা নঙ?
তরানিপাল শতাব্দী
গরীবনিৱাজ হাক্তক্তা
শান্তিদাসকী ইথিলনা
কংলা উত্রা মমাঙদা
পুরান চাম্মকুন মৈথাপঁ
রামান্দি ধর্ম্ম শন্দোকপঁ
অমুকসু হীক্ল-হীক্লা কপ্পুরবা নত্তরা নঙ?
গম্ভীরসিংহগী মতমদা
গ্রান্ট পেম্বরটন অনীনা
কবো তম্পাক পীখিপঁ
তাংখা চাতরুক লৌরকপঁ
লৈশাংখোং থিংঙেল কায়বদা
য়াইরিপোক থম্বালনু চনুনা
ঈরোন্নুংদা লাইজগী
লৈবাক উশিল ওইখিপঁ
শন্নাং ইফা-ফানা অমুকসু
হীক্ল-হীক্লা কপখিবা নত্তরনে নঙ?
তরামাপল শতাব্দী, অমুকসু
ফিরিঙ্গি মচা লমহেনবনা
মৈতৈ চনুগী ঈদা
ঈমোৎ ঈতিন্নদুনা
নমু পোংশেমগে থৌরাংপঁ
গোবিন্দবু মাংথোকপঁ
কংলা শাবু কাপখায়পঁ
থাঙ্গাল টিকেন্দ্র অনীবু
তমথীনা ফাঁসি তৌখিপঁ
ইমা নঙগী ফিরালবু
খোঙনেৎননা শেগায়পঁ
নুপী লানগী মতমদা
শংগিননা ঈরম ফাৎখিপঁ
ইমা, নঙ পুল্লোই লোইরুরবা নত্তরা?
থম্মোয় মচেৎ তাখিবা নত্তরা;
ওন্ন-থোইনা খাঙখিবা নত্তরা;
হীক্ল-হীক্লা কপখিবা নত্তরা নঙ?
অরোইবদা, অমত্তংগা হংজগে ইমা
কুনশুবা শতাব্দীসিদা
চীংশাংনা মরূ কোক্লবা
লোক্তাক্তা ঈশিং লৈত্রবা
অচুম্বা অমত্তা তৌনদ্রবা
কল-কারখানাশিং শিরবা
থবক তৌবা ফংনদ্রবা
হুরানবগী চাক্তাফম ওইরবা
নচাশিং নীংবা কায়রবা
নোংমৈ মখোন্তা তারবা
মীহাৎ-মীপূন তোয়রবা
মীকপ-মীরাওখোল মরকসিদা
ইমা, নঙবু নুংঙাইবিরিবরা, পেনবীরিবরা!
পূক্লিংদা করি ফাওবিবগে
শেংনা অমুক্তা খুন্বীয়ুনে, ইমা,
নঙবু সনা ওইরিবরনে ইমা?

য়েক্লবা অমত্তনা ইমা লৈবাকপু;
ঙাকসি নুমিৎ থানা লৈরিমখে
পুকচেল শেংবা, অচুম্বা চৎপা
পুরক্কনি মদুতনা ঈং-তপ্পা
পুন্সি মহিং অমা মালেমদা;
শুরসি, নোল্লসি, চৎলসি
চরোং চুমহল্লসি মহে মরোং
ওইহল্লসি মীপান তাংদবা লৈবাক
পূন্নমক্তগী মাঙজিল থাবা লমদম;
হে ইমা ভারত নুংশিথোইরবী
থৱায় মঙাদগীসু হেন্না পাম্মুরবী
নঙগীদমক পোকচগে, নঙগীদমক হিংজগে
থৱায় থারবসু নঙগীদমক থাজগে।

## মায়থোঙ থাজদগী হেনখিবশিং অদুদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐখোয়গী চনুরাশিং অদুনা
মায়থোঙ মকা-লাম্না
মোমোন মোমোন নোক্লদুনা,
পৃথিবীগী মীয়ামশিং অদুগী
মমাঙদা নোক্ল-খেনা
সনাগী, লুপাগী তকমান
শিরদুনা লেপখিবদো
উদবরা নহাকপো?
ঐখোয় অসে লমদম'দুগী
চনুরা ঙাক্তনি,
হায়না মখৌ পোংনা
লাওজবা ঙমখিবদো
উহৌদবরা নহাকপো।
মপাম লমদম লমনুংশিগী
নবুং-নৌপ্পাশিং নীংশিংলল্লোইদ্রা
মখোয় মশেল য়েংনা য়েংনদুনা
হীয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা
নিংঙোলশিংগী চাক্লৌবা থা,
বিরমিংহমগী শান্নবুং অদুদগী
হুল্লখো অমুক অনৌবা আশা
কয়াগা লোয়নরদুনা
মথংগী সনাগী তকমানগীদমক।

## কেকু লোৎলি অথৌবশিংগী নুমিৎ ওগষ্ট ১৩

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লিরুসি
হয়েংগীদমক তুংলমচৎকীদমক,
ইরৈপাক্কীদমক থৱায় থাখিবা
অশোন-অপন অৱা অনা
অমাঙ অতা নংখিবা,
ইরৈবাক্কীদমক চেৎখিবা ফিরেপ
য়েক্লবদা ঙক নোন্দবা
উৎখিবা থৌনা পুখিবা পোৎলুম
মায়থীগনি খঙলবা লানফম।
ফৈদা পুং লম্পাক বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক
মথংখনবা কোইরেং, লানচিংপুরেল জেনরেল থাঙ্গাল
ফাঁসি কোঙ্গোইথক্তা তারল্লিবা থৌরিদুদা
নোক্লা নোক্লা ওগষ্ট ১৩ কুমজা ১৮৯১,
নত্তে! নত্তে! অথৌবশিং মখোয়খক্তা
কজাও জমাদার (মে ২৫, ১৮৯১)
নিরঞ্জন সুবেদার (জুন ১৮, ১৮৯১)
লৈরি চরাই নাগা (ওক্টোবর ১৩, ১৮৯১)
থৱায় কৎখ্রবা খোঙমী লান্মী কয়া।
ফম্বাল মুন্নবগী লান সেপ্টেম্বর ২১, ১৮৯১
অৱা ব্রমিজ তানখাইবা ১৮২৪-১৮৯০ লান
তুংদা ওইখি নিংথৌ সুরচন্দ্র কোইরেং
কুল্লচন্দ্রনা ফম্বাল কাখিবা
ওইখিবনি এঙলো ৱার ১৮৯১।
কুইন্টনগী য়াথং মার্চ ২৩/২৪ কুমজা ১৮৯১
কোনুং লান থৌখিবনি,
মিচম প্রজাগী পুন্সি লন থুম মাঙ তাকখিদো।
মিষ্টর কুইন্টন মিষ্টর গ্রিমৱুদ সাহেব ৫
পুন্সি পীখম্নখি মৈত্রবাক কংলাদা।
ওইরমগদ্রা, হাৎলমগদ্রা সাহেব ৫
এঙলো লান ১৮৯১?
নিংথৌ মথংখনবা লানচিং পুরেলগী ৱাখল?
চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা ১৮২৬-১৮৮৬
বৃটিশ সাহেবশিংগা নুংশিনখি
ৱাখল মীৎয়েং শান্দ্রা?
বৃটিশনা মায়কৈ মরি কোইশিল্লবা
নাম্থোকফম লৈত্রবা শারংদা
লাম্থেংনরিবা অথৌবা পারিশা!
ঈগী লান পোক্লফম ইমাগীদমক
লাম্থেংনরিবা ইমাগী ফিজিগী মনিশিং
কাউবা ঙল্লোই ওগষ্ট ১৩না লাকপদা
নীংশিংসি অথৌবা পারি অথৌবশা,
হৈরাং লৈরাং খুজোক খুজোক
মীৎকী পিগা ইরোয়ননা অথৌবশিংগী মফমদা।
য়েক্তুনা থল্লসনু সনা ময়েক্লা
ওগষ্ট ১৩ মণিপুরগী পুৱারীদা
লৈহৌরসনু তুংলমচৎকী পুৱারীদা।

## পোইরৈ লৈবাক কংলৈবাক পোক্লফম লমদম ইরৈবাক

**—খাইদেম প্রমোদিনী**

পোইরৈ লৈবাক কংলৈবাক পোক্লফম লমদম ইরৈবাক
কোলোয় হেনবী মণিপুর মণিপুর মণিপুর।
ভারত নোংপোক চিদাইদা চিক্ল-লেম্না ঙাল্লিবী
মালেম শাৎনা ফাওরিবী কোলোয় হেনবী মণিপুর।
শংলেন ফীজোল থোল্লিবী লোইবী চুম্বং খঞ্জবী
লোক্তাক-ঈতাক্লা লৈতেংবী শলাই তরেৎনা খুন্দাবী
ৱাত্ত-পাদবী ইরৈবাক কোলোয় হেনবী মণিপুর মণিপুর।
ইম্ফাল নম্বুল কোংবা ইরিল ওইরি পলেম নঙগী শিংলী
পাম্থোইবীগী শাইওনলম ফৌওইবীগী খুম্থোক্লম
নথানুংদা পোমজগে নতম্বাক্তা শাৎচগে
অৱাৎ-অপা লৈত-লম কোলোয় হেনবী মণিপুর মণিপুর।

## নীংথিজবা মীতৈ লৈপাকনি

**—কোনসবা ইবোচৌ**

নীংথিজবা মীতৈ লৈপাকনি
পীক্লা লাইগী শক্তম ওইবনি।
কৌব্রু চীংনা লেম্ফু ওইরিদো
কংলানদি খোয়দৌ ওইরিদো
লোক্তাক-সনা-তেংকোৎ ওইবনি
পোইরৈ মীতৈ সনা লৈবাকনি।
ওইরি শিংলী তুরেল অহুম্না
ইরিল নম্বুল তুরেল অচৌবনা
চেল্লি ওইদা য়েত্তা ময়ায়দা
তিল্লরিদো লম্লেন ইথায়দা।
লাইরৈপাকনি লাইনা শেম্বনি
লেপ্পা লাইগী মওং ওইবনি
মীয়ায়ফরোই পীকই খন্দুনা
ঙাক্লম্বনি ইপা ইপুনা।
(খোমজিনবা অমদি শেম শাবা- বি জয়ন্তকুমার শর্মাগী লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেংদগী লৌখৎচবা)

## মচু অহুমগী ফিরাল

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

গেরুৱা, অঙৌবা, অশংবা
ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল
পাইহল্লসি অতিয়া পক্লা ৱাংনা
নীংখা তম্বগী চহী ৭৫ শুরকপদা;
উৎলসি খূৎশম্ননা অমত্তা ওইনা
অপূনবগী পাঙ্গল, থৌনা লিংজেল
লাকচ খুদুম চলহনগুমসি কৈদৌনুংদসু

## পন্থুলমদাই


**—তাভালা নিংথৌজা**

মমি শাল্লক্লবা মিৎয়েং'সিনা লাকশিনবা ঙল্লক্তে
নঙগী চমজরবী মায়থোঙদো!
অরেপ্পা লৈত্রবা লৈচিলগী মতৌগুম মচেৎ-মচেৎ,
কয়া থোক্লা কায়থরক্লে অসুম-অসুম,
অসুম-অসুম!
নপাউ পুবা কোকিল চেক্লাগী
য়াৱাসে তাইওন্নররে ইফমদা
ঙসিদি, ওইররে খোম্থাং য়ৈরকখিদ্রবা
শিগংনরবা লোইবীগুল্লে থম্মোয় লকাসে!
লৈক্রক চৎলবা তুরেল খোংনুংদা
লূ থুল্লদুনা করিবু অমুক কান্নরিবা,
অরেম্বনি শামখ্রসনু মমি,
তাইওন্নখ্রসনু
মঙলান্দো নুংশিগী!

**মতম মতমগী ৱাখল**

# অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা নীংশিংলকপা

## ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবশিংগী মফমদা কচ্চবা



খঙহৌদে অথৌবশিংগী কুমওন থৌরম লাকখি, অগষ্ট ১৩। পূক্লিং হকচাং শোন্থে। অঙাং ওইরিঙৈ হায়স্কুল তম্লিঙৈগী পূন্সি নীংশিংলকই। ঐখোয়না হায়স্কুল তম্লিঙৈদা ওঝানা মহৈরোয় মরী মঙা খনগৎলগা স্কুলগী মপাদা লমজাওদা থোকলক্লগা অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়না থাবা ফিরাল মচা লম্বীদা লাকপদা ওজানা য়োলহনখি। ফিরাল মচা ফুরিৎতা থেৎনবনি। ফিরাল অমদা শিকি (পৈশা ২৫) পীবনি। ঐখোয় মহৈরোয়শিংসু অমমম লৈহনখি । ফংলকপা অপূনবা পৈশাদু স্কুলগী হেদমষ্টরদা পীশিনখি। অথৌবশিংগী নুমিৎ অগষ্ট ১৩ অসি ঙল্লিঙৈগী স্কুল খূদিংমক্তা মরুওইবা থৌরম ওইনা পাংথোক্লখি। ঐখোয়সু য়াওরকখি। লৈকাইগী অহল-লমন য়াওনা স্কুলদা চাউনা পাংথোক্লে। যুমদা শাৎপা লৈ হেক্লগা অথৌবশিংগী ফোটোদা লৈ কৎহনখি। থৌরম হৌদোকপদা ওজা হেদমাষ্টরনা মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। মখা তারকপা মরুওইবা থৌরমদি, মহৈরোয়শিংগী শৈরেং থীবা তান্নবনি। শৈরেং য়াম্না থীনরকখি। অঙাং ওইবনা, অথৌবশিংগী নুমিৎ লাক্লগা য়াম্না নুংঙাইখি । অতৈগী নত্তে শৈরেং থীবা ফংবগীনি। শৈরেং থীরকপগী কান্নবা অমনা, মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংবু খঙবা ঙমহল্লি। হায়স্কুল তম্লিঙৈদগী যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী অতোপ্পা মমিং কোইরেং কৌই হায়বসি খঙলকখ্রে । লান শোক্লরগা লৈপাক ঙাকলকপগী ৱারী, মখোয়গী মরিংজেল মথৌনা, অকল অথৌগী ৱারী তাবদা থাং হাইবা তমনিংখি, শগোল থৌনীংলকখি। নুপামচাশিং শান্নবদা নিংথৌ মচা শাদুনা ৱাচেৎনা শাবা থাংশাং য়েপ্পগা শগোল থৌবী শান্নবা, লান শোক্লবা হায়দুনা মশান্না অমা ওইনসু শান্নরকখি।

লৈপাক নীংবগী ৱাখলদি ঐখোয়না হায়স্কুল তম্লিঙৈদা তমলকখিবা শৈরেং ৱারেংশিংনা অচৌবা ইনোৎ ইথিল পীরকপা হৌরকখ্রে। মতম অদুগী শৈরেংবা ওজাশিংনা মখোয়না ইবীরম্বা ৱারেং শৈরেংনা ঐখোয়গী ঈগী খোংজেলদা ঈরৈবাক নুংশিবা ইরমদমগী ৱাখল খনবসি লাইরিক তম্না তম্না হাপ্পীবা হৌরকখ্রবনি। লৈপাক নুংশিবা ইরমদমগী ৱাখল খলহনবা হায়বসি নম্ফুনা য়ারোই মী মী অদুদা ফাওহনবা চংঙি । কনাগুম্বা অমগী মশাদা মরমদম মরৈবাক নুংশিবা ফাওহনবা হায়বসি মীয়াম তিনবা মীফমদা শাংনা ঙাঙবা তারগা তারিবা মহাক্লা হেক্তা ফাওবসু ঙমলোই। লৈপাক নীংবা কদায়বু কৌবগে ? মরৈবাক নীংবসি কনানো ? মী খরখক্লা নীংগদব্রা? করিগী লৈবাক নীংগদবনো হায়বসি খঙহনবা তারবদি পুৱারীগী ৱারী, ইরমদমগী লম্মিৎলোন ঙমখে, খুন্দমিন্নরিবা মীশক মীওই, ঙাঙনরিবা লোল, পূন্সি মহীং মীপূম খূদিংমক্লা খঙদবা য়ারোই। অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক তমলকপদা পারা অমা ওইনা খরদং ওইরবসু তমলকপা ফংখিবসি য়ামনা কান্নখি। ঙসিগী মহৈরোইশিংগী পারাদসু খঙদবা য়াদবা অমা ওইনা য়াওহনবা, তমহনবা হৌরগদি মখোয়না মখা তানা তমলকপদা হেন্না মপূংসু ফারক্কনি। ইরৈবাক ইরমদমবু নুংশিবা পোকহন্নবা খঙনবা তমহনবদি মহৈশঙশিংদগী হৌগদবনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজজবা অমনি।

অখঙবা খরনা ৱারী সুম খঙবা, চহীগী কুমওন থৌরম লাক্লগা অচৌ-অশাং খরনা হৈকৎ লৈকৎ তম্লগা লোইশিনবা নোংঙাল্লগা অথৌবশিং কাওখিবা কুমজা মশীং য়ামলকলে । ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা স্কুলশিংদা অথৌবশিংগী নুমিৎ চাওনা তৌরগা লাকখিবগী মওংশিং ঙসি উবা ফংদে। মাইকৈ মাইকৈগী খোঙনরকপা মাইকতা মরৈবাক নীংবগী শৈরেং থীবা তান্নবা, মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ শকপা তান্নরকপগী খোঞ্জেল তাখিদবা কুইরে। লৈকাই লৈকাইগী ক্লব, সংস্থানশিং ফাওবা অথৌবশিংগী নুমিৎ অসি থৌরম অমা ওইনা মফম খুদিংদা পাংথোক্লরকপা থেংনরকখি। ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলুপশিং তুমিন্না লৈখিদে । মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ কয়া রেডিওদা শক্লখি। ঈশৈশিং অদু তারগা ঐখোয়দা অমুক্কা হেন্না থুক লাওবা ফাওখি, ৱাখল খলহনখি। লৈপাক নীংবগী ঈশৈ চে কলম পায়দুনা ঈনিংখি, খোঞ্জেল হৌনা ঈশৈ শকনিংখি। ইম্ফালগী ওল ইন্দিয়া রেডিওদা ঙল্লিঙৈদা পুথোকখিবা লাম্থোকখিবা লৈপাক নীংবা ঈশৈ কয়া লৈখি। ঙসিদি লৈপাকনীংবা ঈশৈ মতম অমগুম্না নীংথিনা শক্লবা তাখিদ্রে । রেডিওদা শক্লখিবা ঈশৈশিং খুল্লক-লৈরক্তা মীয়াম্না অমুক চিনফা পুরগা তমদুনা শক্লরকখিবনি। মসিসু অচৌবা ঈশৈনা লৌবা লৈপাক নীংবগী থৌদাং অমনি হায়দবা ঙমলোই। কুইরা কুইরগা মমি অসুম শামলকপা, ঙসিনা খঙনিং খঙনিং নীংশিংলগা থৌরম পাংথোক্লবা অমগুম্না উরিবসি পূক্লিং নুংশি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়বসি চীংগী লম য়ৌনা পাংথোকলিব্রা ? লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীপূম খূদিংমক্কী থম্মোয়দা, ৱাখলদা অথৌবশিংগী নুমিৎ অসিগী মরুওইবা থৌদোক ৱারী অদু খঙবা ঙমলিব্রা ? টিকেন্দ্রজিৎ,থাঙ্গাল মীয়াম মাঙদা থৌরী য়াল্লগা হাৎখি হায়বা মফম অদু ইম্ফালগী কদায়দনো, করি মমিং কৌবগে? হৌজিক করম্বা মওংদা থল্লিবগে ? মফম অদুদা চঙবদা করি করম্বা মমিং মথা থৌদোক ৱারী ইদুনা থেৎপা, অপাবশিংদা ফাওহনবা ঙম্বা লৈরবগে ? হিচম য়াইচম পাৎ হায়রগা খঙনবা মফমদা অথৌব টিকেন্দ্রগী মঙলেন্দি মশক খরা থোক্লা থম্বীবা উরে। কুইদ্রি মফম অসিদা শেমলিবা অসিসু । মীওই কয়াগী মমাংদা কুম্মে অমগুম য়েংহল্লগা ফাসি তৌদুনা মখোয়বু হাৎখিবা মফমদি করম হায়না তৌবগে ? খোংজোমগী ৱার মেমোরিয়েল পার্ক অমগুম শেমলম্বা য়াবনি। ঙল্লিঙৈদা ৱাখল লৈখিদে। নুপী লালগী শারিবা মফমসু মওং তাবা ৱাৎলি । ইম্ফালগী খর মমিং লৈবা হোটেল অমনা হেন্না মশক থোক্লা ফজনা লৈবা উই। লৈ হায়ববু খঙদে । লমদমসিগী মরুওইবা পুৱারীগা শাগোন্নরকপা কোনুংদগী হৌরগা মরুওইবা থৌদোক থোকখিবা মফমশিংনা লৈরিবসি মওংশিং উবদা পূক্লিং নুংশিবা ফাওই। লম খোপচিনখিবা য়োনথোকখিবা অতোপ্পনা শাজিনখিবা ময়াম্না লমদম অসিগী মরু ওইবা মফমশিংদা ওইহল্লিবা মওংসি লৌ মপু য়োংনা তাল্লি হায়বদুমক্লি। মশক থোক্লা মফম চাউনা মীয়াম্না মিৎ থক্লা য়েংবা য়াবা মওংদা অমত্তা থম্বীরমদে, শেম্বীরমদে । তুংগী মীরোলনা চৈনরকখিগনি কপলকখিগনি।

অসিগুম্বা মওং মরিল তাদবা মওংদা থম্বীরম্লগা, করম্না হৌরল্লিবা মীরোলনা মমা লৈবাক মরমদমগী পুৱারী নীংশিংবা খঞ্জবা ঙমগদগে? অথৌবশিংনা শীজিন্নরম্বা খুশু খুৎলাই, শেৎলম্বা ফিরোল মখোয়খক্তংগী ম্যুজিয়ম শাদুনা লৈবা উদ্রি । চোয়না চোয়না মফম খরদা লৈরম্বদি য়াই । মফম চাবদা অথৌবশিংগী পোৎলম, মিৎনা উবা য়াবা, মখোয়না শীজিন্নরম্বশিংগী অপূনবা মফম অমদা মীয়াম্না উবা ফংলগদি ঙসিগী মীরোলদা মখোয়বু হেন্না শোন্নগনি। ইরৈবাক ইরমদম নুংশিগনি। মখোয়গুম্না লৈপাক্কী করিগুম্বা অঙম্বা খরদি পাংথোক্লীংবগী অপাম্বা লৈবসু য়াই । উবা ফংদ্রবনিনা নুংশিবা, হোৎনননিংবা ফাওদবনি। অশাংবা ৱারী লীবা মতমসিগা চান্নদ্রে। পোৎশক উহনবনা ৱাখল খলহনবা হেল্লি । ঐখোয়গী হেক হেক হায়নবা অমা লৈ । মখোয় খরনা তৌরি হায়দায়, মহাক্লা হোৎনরি হায়দায়। য়েঙলুরগনা অমত্তা তৌরমদবা, হোৎনরমদবা অমগা অমগা থঙশিন্নবা ঙাক্তনি। কুমশীং ১৮৯১ হায়বসি খুৎ থেক্তুনা পাবদা চহী ১৩১ খক্তবু ঙায়রি। পোৎলম চৈরমশিং থিজিনবা ফংবা য়ারিবা ঙাক্তনি। চহী লীশিং কয়াগী পোৎচৈ থীবা ঙল্লগা চহী ২০০ শুদ্রিবা পোৎচৈ ফংদবা হায়বসি হোৎনদে হায়বনি। হোৎনরকপা ওইরকসনু। মীরমদদি মখোয় মখোয়গী মরৈবাক্কী মরমদমগী থৌদোক থোকখিবগী নীংশিং খুভম অসি ওন্থোক্লা মশক থোক্লা, মমল লৈনা থল্লমবা উজরকখি। অউবা ঐখোয় ফাওবা তু চুংখি । ঙক নোনখি। ঐখোয়গীদি ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লৌরী ইঙ্খোল য়োম্থোক্লগা মচি অমদা চীংয়া পাৎয়াদা লৈরুবগী হৈনবী অমসু লৈরি ।

থৱান থানা লাকপদা অথৌবা খুদিংমক্কী মফমদা কোক নোঞ্জরি। অগষ্ট ১৩ নুমিৎ অসি কাওবা ঙল্লরোইদবা অমনি। ঐখোয় খরখক্কী নুমিৎ ওইহনগনুসি লমদমসিগী মীওই খুদিংমক্কী থম্মোয় শোকখিবা নুমিৎনি । অথৌবশিং অদুনা হোৎনরমখিবা কয়া অখঙবশিং হৌরল্লিবা মীরোন্দা ৱারী লীবা খক নত্তনা মখোয়গী কৎথোকপা থৌনা লীংজেন অদুগী মতৌদু তমজরগা লৈপাক্কী ওইবা থবক অঙম্বা খরদি ঐখোয়না তৌরমসি । ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# অমদি খঙনীদনা

ফৈজাও, লাইরিক লাইশুসি কয়া পক্লদে। মমা মপানবুদি লাইরিক য়াম ফহন্নীংই। অদুনা তত্তনা হায়, "ফৈজাও লাইরিক পাও"। ফৈজাওগী খ্বাইদগী অশাওবীসি "লাইরিক পাও" হায়সিনি। ঙসিসু মখোয়গী ইমুং চাক থোংদ্রি। চেঙ লৈতে হায়দুনা মমানা কোয়চেন চেল্লি। হৌজিক বোবোক হোইদা শেল খরা লৌরুনি হায়না চৎখি। মপানা মীগী লুহোংবা অমগী মঙানি চাক্লৌবা চৎশিল্লুরগা মবুক পেনখৈ চারগা লাক্লগা, চাক লাম্বা খাংলিবা মচা নুপাদা চৈদুনা ঙাঙই।

"হায়, মসি লাইরিক পাগেদি হায়দ্রদনা মাঙ্গোল মচিসিদা উংদুনা লৈরিসি করিগীনো? লাইরিক্তু খরা পাবা য়াদ্রো?" ইনখৎলকপগা ওইরে লাল্লিবা মবুক অদু খিতং অরাম্বা খাঙনবা হায়দুনা চাকখুদমগী ঈশিং গ্লাস অনী অহুম থকচিনবদগী মবুক্তু চ্রোক-চ্রোক লাওখৈ লৈরিবা ফৈজাওনা মপাগী মীচৈদুদা পিং লাওনা শাওনীংই। মানা শাওনীংলক্তুনা মচিন থোক্লা খুম্মকই,

"লাইরিকপু পংপা হেক্তা পাবা য়াবদৌনা, কৈকান্নবা চগৎ চগৎ ঙাইহাক লৈতনা"। মাই ৱাদু তাবদা ফৈজাওগী মপাদু মপাম চাক্লৌবদুদা পোৎ খরা পায়শিল্লুরগা লাকপনি, নিশাগা খরা খরা পাল্লে, কন্না নুংঙাইখৎলকপা তাঞ্জাগা ওইরে, মচাদুদা থোক ওনশিল্লগা চৈথরকই,

"করি? লাইরিক পাও হায়সিবু নঙগী ফনব্রা, ঐগী ফনব্রা?"

"নোইগী নুংঙাইনবনি" ফৈজাওসু তিং হেক লাওখিবদগী ফৈজিল্লকই।

"করি হায়বা, নঙনা লাইরিক পারগা ঐখোয়না করিগী নুংঙাইদৌরিবা?"

"নোইনা ঐবু নমদনা লাইরিক পাহল্লগা নোইনা হায়বা ইল্লে হায়দুনা নুংঙাইদৌরি নৎত্রা?"

"অদুদা নঙনা করি মাঙজরিবা?"

"লোইনা মাঙে, থৱায়দি য়াওদনা লাইরিক পারগা করি কান্ননি, সোনো চুনবা"

"ইয়া য়েংঙুনে, কৈনো মানা ঙাঙিসিবো? হায় থিবোংজাও"

"থিবোংজাওগাইদুদি হায়রক্কনুদা"

"চাওরিদুদি, কৈমতা উবা য়াদে, চাদুইদা তৌ লৈ, কনাই মতৌ লৌ তৌরিনো খঙদেনে"

"অদুদি মপাগী মতৌ লৌবনি"

"হায় ঐদি নঙদৌনা তৌদেনে"

"তৌরিদুদি?"

"ঐনা কৈদৌরিবা?"

"ঙসিসু মীগী চেবাউ পীরক্তবা মঙানি চাক্লৌবা অমা চৎলগা চাক্কা চাথোক্তনা, যুগা থক্তোকরকইদুদি"

"অশ! মসি মী চঙহাৎ হাৎলিনে, অসিবু মীনা তারগা ঐবু করিনি হায়দুইনোনে"

"চুম্মীনিনে"

"মদু নঙোন্দা কনানা হায়"

"ঐনা হায়সিনি"

"মদু নঙতনা খঙবা পোৎ নত্তে। কনানো অমনা হায়বদগী তাবনি"

"মানি ইমানা হায়বদৈ তাবনি"

পিং লাওরবা ফৈজাওগী মপাদু নিশাগা শ্বাই লাওনা মাঙখ্রগা অশাওবগী মৈরি ব্রং লাওনা হৌরকই। হান্না ঙাঙলম্বা চাংদগী ভোল্যুম খরা লৈখৎলগা,

"নমা কাই লৈ? ঙসি থবক তৌগে। মানা অঙাংনেনা মচিন থিখ্রবসিদা শেরান তুরান ঙাঙলিদু কৈগীনো?"

"মমা লৈতে"

"কাই চৎখি"

"বোক হোয়দা চৎখি"

"কৈদৌবা চৎলিবা?"

"অদুবু ঐনা খঙবরো?"

"ফৈ মা লাক্তা লাকখিসনু, খঙনীদনা, মী উশিত্তবা"

"ইমাদা তাইনবা য়ারোইকো, ইমাদা চৈবা য়ারোই"

"করিগী?"

"ইমানা হায়বা নত্তে"

"হৌজিক্তা নমানা হায়বনি হায়দাই"

"হৌজিক ববাদা হায়রিদু ইমানা নত্তে, ঐনা হায়বনি"

"অদু মানা হায়বদগী নঙনা হায়রি নৎত্রা"

"নত্তে, ববানা মীগী মঙানি চাক্লৌবা চৎকনি হায়দুদা, ইমানা চেবাউ পীরক্তে হায়বদা, ববানা পীরক্ত্রসু খঙপোত্তে, চৎকনি হায়না চৎখিবা নৎত্রা? অদু ঙাঙনবদু ঐনা তাহৌবনি, ববা চৎখ্রবা মতুংদা ইমানা শাওদুনা ঙাঙহৌইদনা, অদুদসু তাহৌই হায়বৈ ৱানি"

"হায় অপঙ, মঙানি চাক্লৌবা হায়দুদি চেবাউ পীবা পীদবা কনানসু খঙবা পোৎ নত্তেনে। নুপী ময়ূম্নসু নুপা ময়ূম্না হায়রকপা মানবা, নুপা ময়ূম্নসু নুপী ময়ূমগী মী অদুম মানবনিনে। সিদি চেবাউ পী পীদবা চাবু চানীংলদি, নীংথিজনা চৎলগা ফজনা ফম্মগা পীক থনখৈ চাথোকপা য়াবা পোৎনিনে"।

"অদুদি থিবোং লাওরিসি কনানো?"

"ইয়া! সিদি থিবোং লাওবৈ ৱা নত্তেনে। করিগীনো নঙনা মরৈ অসুক য়াম তৌরিসে?"

"পারোই পানীংদে"

"পাগদবনিনে, পানীংদে হায়দনা য়ারোইনে"

"লাইরিক পারগা কৈদৌদুইনো, হয়েং থবকসু ফংলোইদবদা, চাক ফাও পুক থন্না পীজবা ঙমদ্রবা নোইনা হয়েং ঐবু থবক লৈরগা তৌহনবা ঙমগদ্রো"

"হায়, থবক্তু তৌহনবা ঙমদ্রসু লাইরিক্তু খরা হৈজরদি নুপী ফাওদি থিবা খঙনীদনা। হৌজিক্কী মতমদা লাইরিকসু হৈত তৌরদি কনাই নুপীনা নঙোন্দা লৈবীয়ু হায়দুইনো"

"তানীংদে"

"তানীংদবা য়ারোইনে, লাইরিক্তু হৈরদি থবক তৌবরা, নুপী থিবরা অমদি খঙনীদনা"

ফৈজাও মপাগী ৱাদু তাবদা সুম শাওবা হেনগৎলক্লে। ফুক হৌগৎলগা ইমুংদা চঙখ্রগা ফমুংদা লোংনা হিপথখি। অদুগা খল্লকই।

"ঐবু লাইরিক হৈত্রদি হয়েং নুপী থিবা খঙলোইদ্রনে"? **- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।